ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৮.৪৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৮.১১°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 80.478841 |
| US Dollar | 79.095186 |
| British Pound | 94.865357 |
| Australian Dollar | 54.037239 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.805038 |
| Japanese Yen | 0.582447 |
| Malaysian Ringgit | 17.863447 |
| Singapore Dollar | 56.498016 |
| South Korean Won | 0.060878 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.092050 |
| Thai Baht | 2.192758 |

**GAS NEWS**

**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPTo28/05/22**
VALID FROM24/05/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141OFFICE TIMING 9AM TO 3pm WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto27/04/22**
Valid from20/04/2022
**stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/ Call Time 8am to 12 noon Sunday closed

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no
8787632782/6009194940

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking upto 31/05/22
Valid from 27/05/22
**Stk 306**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no.8119073029/8974426830)

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking- Upto date.**
New Contact Office No. 6009392991,9362654114,03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

# উমং কন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা...

*লামায় ১গী মখা...* মখোয়গী থবক থৌরম পুন্নমক খুন্নাই অসিগী অপূনবগী ওইহনগদবনি হায়খি। অদুগা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা ফোরেষ্ট এক্টশিংগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহনবগী থবক্লা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিস ওফিসর অমগী মথৌ ওইগদবনি হায়খি।

লৈঙাক্লা উমং য়োকখৎনবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি লন্নাই মীওই অমগী নত্তে। থবক অসিদি মীপূম খুদিংমক্কী অফবা ওইহন্নবনি হায়খি। মরম অসিনা মীয়ামসু উমং কন্নবগীদমক চঙশিল্লক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

ৱাইথৌগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্লা মফম অদুদা মোদেল রোদ সাইট ভিয়ু অমা শেমগৎলগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক য়েংলদুনা লোক্তাক পাৎপু মশক হেন্না ফজহন্দুনা ঙাক শেন্দুনা থম্বদা মীয়ামসু মতেং পাংবীয়ু। লোক্তাক পাৎকী মহৌশাগী ফীভম কায়হন্দনবা মীয়ামা হোৎনবীয়ু হায়খি।

লোয়ননা শেঞ্জা থুমজা লৈহন্দবা অমসুং মনুং মপান ফাওনা উবা লৈঙাক অমা লৈহনবগা লোয়ননা দ্রগ অমসুং কা হেনবা থবক তৌবা মীওইশিংগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা লৈঙাক্লা কৈদৌনুংদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়খি।

থৌরম অসিদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎসু শরুক য়ারদুনা বন মহোৎসবকী থৌরম অসি উমং খক্তা নত্তনা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কন্নবগীদমক পাঙথোক্লিবনি হায়খি। লৈঙাক্লা লন্নাই মীওই নৎত্রগা ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা লেপ্তে হায়রদুনা মীয়াম পুন্নমপু য়াইফহন্নবা হোৎনরি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা মথৎ থা ফাওবগী মনুংদা উ চারা লাখ ৭৫ থানবা পান্দম থল্লি হায়রদুনা ঙসি ফাওবদা উ চারা লাখ ২৯ থাখ্রে অমসুং অতোপ্পা উ চারা লাখ ১৫না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়েন্থোকখ্রে হায়রি। অদুবু মথৎ থা লোইশিল্লকপা ফাওবদদি উ চারা লাখ ৭৫ থানবগী পান্দম থল্লিবা চীফ মিনিষ্টরগী অনীংবা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়খি।

থৌরম অদুদা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা লৈশেম্বা সনাজাওবা, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ডা. এ কে জোসিসু শরুক য়াখি। মহাক্লা নোংমাইজিং রিজার্ভ ফোরেষ্ট অসিগী পাক চাওবা স্কৱার কিলোমিটর ৬৭ অসি জন্যুৱারী ৪, ১৯৯০দা রিজার্ভ ফোরেষ্ট ওইনা লাউথোকখ্রবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রো, এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচা অমসুং সৈখ নুরুল হাসন য়াওনা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমারসু শরুক য়াখি।

# তমুদা হাংখিবশিং শিন্নরক্ত্রি, ঙমখে...

*লামায় ১গী মখা...* মায়কৈদগীসু তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগনি হায়বগী থাজবা পীখি। অদুম ওইনমক মপান লৈবাক ওইবনা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ম্যান্মার অনীনা ফাওদোক্নগদবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তকশিন্দুনা লাক্লি। য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর আর কে রঞ্জনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা ম্যান্মারগী এম্বেসিগসু পাউ ফাওনরে হায়খি।

মীফম অসিগী মতুংদা খোইশাওনরবা মীয়ামগী মরক্তগী খরনা টামিল সঙ্গম ওফিস মমাঙদা অশিবা হকচাং খূৎশিন্নগদবনি অমসুং অচুম্বা ৱায়েল পান্মী হায়বা পেন্দবা খোল্লাউশিং লাউখি।

চৈরকসিদা মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা ঙরাং ফাওবদা খুন্তাক লানশিরুরবা মোরে টাউন্দদা তপ্না তপ্না হোটেল অমসুং দুকানশিং থোঙ হাংবা হৌনরকপগা লোয়ননা মহৌশাগুম্না লন্নাই অমসুং পেসেঞ্জর গাড়ী খরসু চৎনবা হৌরক্লে হায়রি।

# য়াসকী ওফিসরনা করিমত্তা...

*লামায় ১গী মখা...* থেংনরকখি।

শান্ন-খোৎনবগী পৱার হাওসনি হায়রিবা মণিপুরবু মশক তাক্লিবা শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎলক্লিবা লোয়শঙ অসিগী বিল্ডিংশিংগী অকোয়বদা অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদি কয়া লংথোক্তুনা থল্লম্বা থেংনরকখিবগা লোয়ননা লোয়শঙ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মচি-মরুমশিংবু লান্না শীজিন্নবা মানবগী ফীভমশিং থেংনরকখি।

# ময়াই কাবা চিঞ্জাক...

*লামায় ১গী মখা...* টি ঐচ ইবুংঙোবীনা ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্টর সুসিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা ক্লব অসিনা ৱার ওন দ্রগসতা মতেং পাংদুনা লাকপনি। অহানবদা দ্রগ চাবা নহা অনীসি ফারবা মতুংদা মখোয়গী মচিন্দগী য়াল্লবা জোলাম টেব্লেটশিং ফাগৎপা ঙমখিবনি। অদুগা ফাগৎলবশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিবনি হায়রি।

# জে দি-য়ুগী লুচিংবা ক্ষেত্রি বিরেন...

*লামায় ১গী মখা...* লোয়ননা ও নবকিশোরনা জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবনি।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা পটনাদা লৈখিবা ষ্টেটকী লুচিংবশিংনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা পার্টিগী লুচিংবা নিটিসকুমার, পার্টিগী নেসনল প্রসিদেন্ট রজিব রঞ্জন (লালন সিংহ) গসু উন্নদুনা মণিপুরদা জে দি-য়ুগী থবক থৌরমশিং হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা পাঙথোক্নবা কূপ্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

মীফম অদুদা পার্টিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওইবদা নত্তনা নোর্থইষ্টকী ইন চার্জ ওইরিবা অফক অহম্মদ খান অদুগা পার্টিগী এন ঈ ঈ সীগী রিজনেল কোওর্দিনেটর দানিসনচিংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াদুনা মণিপুরদা জে দি-য়ুগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

ষ্টেটকী লুচিংবশিং হয়েং ইম্ফালদা থোরক্লগনি হায়রি।

# হকচাং ফংখিদে...

*লামায় ১গী মখা...* ১০৭শুবা টেরিটোরিএল আর্মিগী বেরেকতা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা পূন্না মীওই ৭৯ শোকহনখিবগী মনুংদা ১৮ হিংনা কলহৌরবা মতুং ঙরাং ফাওবদা পূন্না হকচাং ৪৯ ফংখ্রবা মতুংদা ঙসিদি অনৌবা হাকচাংশিং ফংখিদে। অদুম ওইনমক খুদোংথীবা থৌদোক অসিবু মায়োক্নখিবা মীওই অমগী খূৎ নাম্মদি ফংবা ঙমখি হায়রি।

হয়েং অয়ুক অঙনবা পুং ৪দগী হৌরদুনা জোইন্ট রেস্কু টিমগী মীওই ৮৮০ হেনবনা হৌজিক ফাওবদা ফংদ্রিবা হকচাং ১২ ফংননবা মখা তানা থিবগী থবক চত্থখিগনি হায়রি। ওপরেসন টিম অসিদা এন দি আর এফ, এস দি আর এফ, পুলিস, ফায়র সর্ভিস, টেরিটোরিএল আর্মি, ১০শুবা অসাম রাইফলস, ৮৬শুবা সী আর পি এফকী পর্সনেলশিং অমসুং লোকল ভোলন্টিয়র ৬০না শরুক য়ারিবনি। অদুগা শীজিন্নরিবা মেছিন্নরিশিংনা এন ঐচ আই দি সী এলগী জে সী বি ২, রেলৱে কম্পেনিশিংগী ২, বুল দোজর ১ এস্কেভেটর ৪৩নি হায়রি।

# এন ঐচ আই দি সী এলদা শিন্নরবসু ...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফালদগী য়াইঙংপোকপী ফাওবনা পি দব্লিয়ু দিনা য়েংশিল্লগা মফম অদুদগীনা জে সামি ফাওবনা কম্পেনি অসিনা পায়বগা লোয়ননা এন ঐচ -২গীনা ইম্ফালদগী কোইরেঙ্গে ফাওবদা পি দব্লিয়ু দিগী ওইরগা অতৈনা মখোয়গীনি। অদুগা এন ঐচ-১০২দনা ইম্ফালদগী লিলোং ফাওবগী থৌদাং পি দব্লিয়ু দিনা লৌরগা লিলোংদগীনা মোরে ফাওবসু মখোয়না থৌদাং লৌরক্লিবনি। অদুবু কম্পেনি অসিনা লম্বীশিং অসিগী মপূং ওইবা থৌদাং চাদা ৭৫গী চাংদা লৌরক্লবসু হৌজিক ফাওবদা লম্বীশিং অসিগী মফম অয়াম্বদা কুম পুবগী ফীভমদা অদুম লৈরকপনা লম্বীশিং অসিগী থৌদাং অপৎপগী মহুত্তা অপূম্বনা লৌরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরকপনি।

ইম্ফালদগী মাও ফাওবগী মরক্তা হৌজিক ফাওবদা কংলাতোংবীদগীনা কৌব্রু লৈখা ফাওবগী ফীভম অকিবগী মশক ফংলি। অদুগা ময়াংখাং এরিয়াদসু লম্বী নিংথিজনা শেমদবদগী নুংশা শারগনা উফুলনা পীক থল্লগা নোং চুরগনা লৈখোম লৈনাংনা চৎপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লি। লম্বীগী নাকল ওইরিবা চীংলোমদা রিটেনিং ৱাল চনবদসু চেকখায়বা কয়া য়াওরকপনা মসিগী কান্নবা ফংদ্রি।

কিলোমিটর ১২ রোম শাংবা ময়াংখাংগী লম্বী মতেক অসি চহী ২ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা কম্পেনি অসিনা নিংথিজনা শেমজিনবা ঙমদ্রি। অদুগা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লিবনা ইরং থোং তৎখিবদা নত্তনা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী শরুকশিং অকিবগী মশক ফংলি।

লম্বীশিং অসিদা ওইরিবা ফীভমশিংগী মতাংদা ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করগী জেনরেল সেক্রেটরি এম অনিলনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা এন ঐচ-৩৭কী জিরিবামদগীনা কৈমাই অমদি বরাক থোং ময়াগী লম্বীগী ফীভমশিং অসুক্কী মতিক ফৎত্রি অদুগা রেংপাংদগীনা খৌপুম তাবা লম্বীগী ফীভমসু ফত্তনা লৈরি। জিরিবামদগী খৌপুম ফাওরগা লাকপদা গাড়ী অচৌবদা মেত্রিক টন ১১/১২দগী হেন্না লূম্বা পোৎলমশিং পুবা য়াদ্রি। মরম অসিনা এন ঐচ আই দি সী এলনা থৌদাং লৌরক্লিবা লম্বীশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অসি করম্বা মতমদা পূক্লিং লূম্না চৎপা ফংবা লম্বী ওইগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলকখি।

# গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজগী উমং লাই হরাওবগী...

*লামায় ১গী মখা...* কম্মিস্নরগী থৌ পুরম্বা আর কে নিমাইনা পাউচে অসিদা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১২-১৩গী মণিপুরগী বডজেটতা লুপা লাখ ৫ হাপ্লগা কোলেজ অসিগী কেম্পসতা লাই হরাওবগী লাইবুং য়াওনা শঙলেন অসি শাখিবনি। মহৈরোয়শিংদা মণিপুরগা য়াওন্নরক্লিবা লাই হরাওবগী পরম-পরাদগী লৈরক্লবা মশক খঙহন্নবা অমদি লাই হরাওবগী থৌরমদা শরুক য়াবদা মসিগী লিক্লমশিং খঙনা পাঙথোক্লবগী পান্দমদা শাখিবনি। হৌজিক্তি লাই হরাওবগী থৌরমদা মহৌশাদগী শাগোন্নরক্লিবা পরম-লিক্লম চুম্না পাঙথোক্তবা কয়া য়াওরকপদগী লাইবুংদা খক্তা নত্তনা থৌরম অসিবু মশক থিহল্লকপা হায়বসি অচুম্বা নত্তে। লাই হরাওবগী থৌরম অসিদা মাইবীশিংনা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাইগী থৌরমশিং পাঙথোকই। লৈবাক্কী নিংথৌ শরুক য়ারগনা কদাইদা ফমগনি হায়বসু শঙলেন অসিনা তাক্লিবনি। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী অকোয়বগী ফীভম কনবগা লোয়ননা উমং লাইগী খুভমগী মশক্কা লোয়নহন্দুনা শেমগৎলগা থম্বনি। করিগুম্বা জগোয় রাস উৎলক্লবসু মান্দবতা উৎনবগী মফমসু শেমদুনা থাঙ্গাল জেনরেলগী লাইশঙ লৈরিবা অসিগী মনাক্তা থৌওইনা মান্দব শাখিবনি। মসি পূন্নমক ঐখোয়গী লৈজরক্লবা চৎন-পথাপকী পরিং নাইবা কাঙলোনশিং মহৈরোয়শিংদা প্রেক্টিকেল ওইনা খঙহন্নবনি হায়খি।

খুদম ওইনা শান্তিনিকেটনদা লৈরিবশিংসু অকোয়বগী ফীভমশিং শেমদুনা য়োকখৎলগা থল্লিবনি। মহাক্লা মফম অদুদা চৎলুবদা থেংনরকপা অমসুং খঙলক-উরকপা কয়াদগী মণিপুরগীসু থমগদবনি হায়দুনা শেমগৎখিবনি। শান্তিনিকেটনদা হৌজিক ফাওবদা উ পাম্বীগী মখাদা (উখাদা) ফমদুনা মহে-মশীন তম্লকপগী ফীভম কায়হন্দনা উৎননবা হোৎনরিবনি। রবিন্দ্রনাঠ টেগোরগী ওইবা মশক উৎননবা শান্তিনিকেটনদা উ পাম্বীশিং থাদুনা থল্লিবনি। ঐখোয়গীদি লাইগী ওইবা থৌরম ওইনসু লৈরক্লবনিনা অকোয়বগী ফীভম শেমগৎতুনা লাক্লিবা উমং লাইনি। মণিপুরগীদি লৈনা লৈনা শেমদবা য়াওরকপদগী শেমগৎপা চুম্মী হায়দুনা হোৎনখিবনি। লাই হরাওবা হায়রগা লাইবুং লৈতনা লাই হরাওবা য়ারোই। লাই ইকৌবদা পুখ্রি লৈত্রগা ইকৌখৎপা য়ারোই। হান্না লৈজরম্বা পুখ্রিদুগা নক্লবা লাই ইকৌনবা হোৎনবনি অমসুং লাইবুং শেমগৎপনি। মীগীনা হান্না লৈরমদবশিং লৈহন্নবা শেমগৎপনি, ঐখোয়গীনা লৈনা লৈনা শেমগৎপীরমদবদগী লৈহন্নবা শেমগৎলম্বনি হায়খি।

উমং লাইগী মশক তাক্লিবা লাইবুং অমসুং শঙলেনগী মতাংদা মতম অমদা দান্স কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা রঞ্জিৎ অধিকারিনা হায়, হৌজিক লৈঙাক্কী দান্স কোলেজ অসিদা লৈরিবা উমং লাই হরাওবগী উমং অসি য়াম্না তাঙলবা য়াম্না লাই হরাওবগী খুদম পীবা লাইবুংনি। মহাকসু চহী ২৫ রোম কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ওইজরম্মী। মতম অদুদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর আর কে নিমাই, দিরেক্টর ডা. কে সোবিতাগা তান্নরগা শেমগৎলম্বনি। বডজেটসু য়াম্না পীক্লা লুপা লাখ ৫ খক্তমক পীরকখিবনি। মাঙখিগদৌরবা লাই হরাওবগী লাইবুংগী মশক তাক্লবা অমসুং কন্নবা হোৎনখিবনি। লাইবুং অসি অতোপ্পা মফমদা থমগদবা নত্তে। অমুক হন্না উবা ফংলরোইদবা লাইবুং অসিদি কনবা চুম্মী, তঙাইফদে। মরম অদুনা কনবীয়ু হায়জনীংই হায়রকখি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না ফজনা ফাওবা থম্নবা লৈঙাক্লা শেমগৎনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়রকখি।

লোয়ননা লাই হরাওবদা শরুক য়ারিবা মাইবী, মাইবা, পেনা শকপনচিংবনা করি থৌরম পাঙথোক্কদগে হায়বা য়াওনা লাইপুং থিনবনচিংবসু তাক্লি। খামেন চৎপা ফি অসি করম্না অমসুং মতৌ করম্না শেৎকনি হায়বসু লৈরি। দান্স কোলেজগী কেম্পসতা উমং লাইগী হরাওফম শারিবা লাইবুং অসি মায়কৈগী ওইনসু ওন্নবা য়াদে। লাই হরাওবগী চপ চাবা মশক্কা লোয়নবনি। অরিবা মতমগী শক্তম কায়হন্দনবা শাবনি। মহৈরোয়শিংগীদমক চহী খুদিংগী লাই হরাওবগী থৌরমসু পাঙথোক্লম্লিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা পাঙথোকখিদবদগী হৌজিক ফাওবদি পাঙথোকপা উদ্রে হায়খি।

অদুগা হান্না আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর ওইরম্বী ডা. কে সোবিতানা পাউচে অসিদা হায়, উমং লাই হরাওবগী মশক তাক্লিবা মফমসি থম্নবা হোৎনবদা মতম অদুগী লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর আর কে নিমাইগা তান্নরগা শাখিবনি। লাই হরাওবগী জগোয় অমসুং জগোয় রাস হায়বসিসু কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংগী সিলেবসতা য়াওরিবনি। মসিগীমদক লাইবুং অসি শাবগা লোয়ননা জগোয় রাসকী মান্দবসু শারম্বনি। হৌজিক ফাওবদা চাউথোকচনীংঙাই ওইরিবা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা থৌরম অমদি জগোয় ঈশৈগী হৌরকফম ওইরিবা লাই হরাওবগী চপ চাবা মশক তাক্লবা লাইবুং য়াওনা শেমগৎখিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদি য়াম্না শোকচিল্লক্লবনা য়েংশিনবীদুনা শেমজিহন্নীংই হায়রকখি।

# কোরকোমগী ১১শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকী পাউজেল...

*লামায় ১গী মখা...*অমা ওইনা শেমগৎলকপা হৌরকখি। মশাগী ওইবা শেন্মীৎ (সেল্ফ-রিলিএন্ট) লৈজরম্বা লমদম অসিবু লোই কৈথেল (কেপটিভ মার্কেট) ওন্থোক্তুনা হীরম খুদিংদা মীখা পোলহন্দুনা চাওখৎপগী লম্বীদগী ইন্থবা হৌরকখি। ইনিদয়ানা পুথোকপা পোৎলমশিংবু লৈবা-য়োনবগী কৈথেল ওন্থোক্তুনা মীখা থাবা ইকোনোমি অমা ওন্থোকখি হায়রি।

ৱেসিয়াবু ইন্দিয়াগী লানবন ওইনা য়েঙবগী ৱাখল্লোন অসিগী মমি-নাৎ, লাইনীং-লাইশোল শেন্মীৎ অমদি লৈঙাক পায়শিনবা খক্তনা মপূং ফাহনবা ঙমখিদে। লমদম অসিগী চত্থরিবা নীংতম লালহৌবু নমথনবগী মীংদা, মনীং তম্বা লৈবাক অনীগী মরক্তা মুক্নরকপা মতমদা শীজিন্নগদবা রেগ্যুলর আর্মিবু ইরৈচা সিভিলিয়নশিংগী মরক্তা থমজিন্দুনা চীংমী-তম্মী অনীবু ঙসি ফাওবা লানগী অৱা চৈথেং পীরি। ইন্দিয়ানা ৱেসিয়াদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরিবা অমদি য়েলহৌমীশিংগী ইহৌ অসিবু নমথরিবা অসিমক্লা লমদম অসিদা লৈরিবা খূৎলায় পায়বগী মুক্লবা ফীভম অসি জিনেভা কনভেন্সন, ১৯৪৯গী মতুং ইন্না ইন্টরনেসনল কনফ্লিক্ট অমগী চপ চাবা শক্তম অদুমক লৈরে হায়বসি মালেমগী মীয়াম অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা খঙবীবা মতম অদুমক য়ৌরবনি হায়রি।

নীংতম ঈহৌবু নমথবগী লাল্লোংদা ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা ঙমখৈবু ইন্দিয়াগী কান্নবখক্কী মীৎয়েংদা মন্ত্রিক্নদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংবু থেম্বগী লাল্লোং ওইনা ঐখোয়গী ঙমখৈ লম পীথোকপা লেপত্রি। ইরৈচাশিংগী নীংতম ইহৌবু নমথবগী কাউন্টর পোলিটিক্সকী শরুক অমা ওইনা লেপ্পা লৈতনা কলচরেল ইনভেসন কয়া চত্থদুনা ইরমদমগী নাৎ অমদি লোলদা য়াম্না চাওনা চৈথেং পীরি। ফীভম অসি য়ুনেস্কোনা খঙবীদুনা মণিপুর (কংলৈপাক) কী লোল অসি মূৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়খ্রবনি হায়রি।

ইং কুমজা ১৮৯১দগী চত্থরকপা লিবরেসনগী খোঙচৎতা ৱেসিয়া অমদি ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) য়াম্না চাওনা চৈথেং ফংলবা লমদম অমা ওইবা হৌরকখ্রে। লোইলমগী মচৎতা য়ূম্ফম ওইবা কেপিটেলিজমগী কাঙলোন ওইরিবা লুক ইষ্ট/এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা লানবন ওইরবা ৱেসিয়াবু অনৌবা শেন্মীৎলোন পীগনি, লম্বী-থোং শেমগনি অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লমদমশিংগা শম্নহনগনি হায়বা য়ুখল মরুমদা নীংতম লালহৌগী মায়োক্তা থবক কয়া চত্থরি হায়রি।

ইন্দিয়ানা বাংলাদেশ অমসুং থাইলেন্দগা ইং কুমজা ২০১৩দা এক্সত্রাদিসনগী খূৎয়েক পীনখিবা পূন্নমক লমদম অসিদা হৌরিবা নেসনেলিটিগী ঈহৌ অসিবু নমথবগী লাল্লোং ঙাক্তনি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্টতা শেমখিবা এসিয়ন-ইন্দিয়া প্লান ওফ এক্সনগী মরুমদা সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফম কয়া ইন্দিয়ানা ইনশিন্দুনা লাক্লি। ম্যান্মারগা কিলোমিটর ১৬৪৩গী ইন্টরনেসনল বোর্দর লৈবা ৱেসিয়াবু ইন্দিয়াগী মপান থৌরমগী ট্রাঞ্জিৎ অমা ওইনা মীৎয়েং থল্লি। কলাদান প্রোজেক্টকী মীংদা কংফাল অমদি ঈশিংগী লানবন শেমগৎতুনা ৱেসিয়াগী শেন্মীৎ অমদি ঈহৌবু মতম চূপ্পগী ওইনা নমথনবা লেপ্পুনা হোৎনরি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লুক ইষ্ট পোলিসিগী মরুমদা ইন্দিয়ানা য়ূমথংনরিবা লৈবাক্তা টি-৫৫ টেঙ্কশিং অমদি বি এন-২ ইসলেন্দর মেরিটাইম সর্ভিলেন্স এয়রক্রাফ্ট অমদি দেক-বেজ এয়র-দিফেন্স গননচিংবা কয়া পীশিন্দুনা মিলিটরিজেসনগী থৌশিল চত্থরি। কুমজা ১৯৯৭তা শাফোংখিবা বি আই এম এস টি ঈ সী (বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিএটিভ ফোর মল্টি-সেক্টরেল টেক্নিকেল এন্দ ইকোনোমিক্স কো-ওপরেসন) গী থৌশিল মখাদা ইন্দিয়ানা 'কাউন্টর-টেরোরিজম অমদি ট্রান্স-নেসনল ক্রাইম' থেংনবগী মীংদা ৱেসিয়াগী য়েলহৌমীশিংগী ইহৌবু লান্না উহনবতা নত্তনা নমথবগী লাল্লোং কয়া লেপ্পুনা চত্থরি। ৱেসিয়াদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মরক্তা পোরম অমা ওইনা ইন্দিয়ানা শরৌ লাং কয়া লেপ্পুনা থাক্লি হায়বসি ঐখোয়না মতম চূপ্পদা কাউফদে হায়রি। (মথং-মথং)

**COMET SCHOOL**
A Co-Educational Higher Secondary School

**ADMISSION OPENS FOR CLASS XI (Sc.) 2022-23**

**Application Form :** Prospectus and form are available during office hour
**(8:30 a.m. to 3:30 p.m.)**

**Eligibility Criteria :** Students who have passed in Class-X board Examination, 2022 or students whose result is not yet declared are eligible.

**Entrance Test :** MCQ Test for 100 marks based on Class-X Syllabus (Eng, Phy, Chm, Bio, Mth). The duration of the examination is 1 (one) hour.
**(Date, time and venue will be notified later).**

**SPECIAL INTEGRATED COURSES (SIC)**
**FOR COMET SCHOOL STUDENTS' (LIMITED SEATS)**

**Features :**
- Special Integrated Courses (SIC) for **NEET**.
- **To be taught by the Board of Directors.**
- Hostel facility is available exclusively for NEET opted girl students' (Limited seats).
- Separate bus service for hostellers (NEET opted girl students').
- Regular test series.
- Study materials will be provided.

**DIRECT ADMISSION**
**(SEATS ARE LIMITED, BASED ON FIRST COME FIRST SERVE)**
**Student who wish to claim category 1 to 5 must come in previous school uniform along with Class-X marksheet and original admit card.**

**CATEGORY 1 : 1st to 25th Rank Holder in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI & XII, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit, free bus service. Scholarship package for 2 years.

**CATEGORY 2 : 85% and above but below top 25 in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI, One-time free School Uniform excluding blazer and track suit, free bus service (for Class-XI).

**CATEGORY 3 : 90% and above in CBSE/other Equivalent Exams, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI.
(*Selection is based on individual test, failing which they can get direct admission without benefits*)

**CATEGORY 4 : 80% and above but below 85% in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Free Admission and tuition fee for Class XI.

**CATEGORY 5 : 75% and above but below 80% in HSLC, 2022 (Limited Seats)**
**Benefits:** Direct Admission without Entrance Test.

**CATEGORY 6 : 1st to 3rd Position in Entrance Test, 2022:**
**Benefits:** Free Admission fee (Class-XI admission amount only).

**CATEGORY 7 :** Students who scored below 75% must appear the entrance test.

**(*Students can avail scholarship in Class-XII if they fullfil scholarship rules and regulations*)**

**Submission of Application Form & OMR sheet start from** 05/07/2022 (8:30 a.m. to 3:30 p.m.).

For more details, please check the prospectus and school website **(www.cometschool.in)**.

*Where excelling is the way of life...*

Sd/-
**Principal,**
COMET SCHOOL

HL-B/7718/5,6,7,8

**KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE** TM
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute



**Special Class for X, XI, XII Appeared Students**

**IT & SKILL COURSES**
- Computer (NIELIT)
- Spoken Hindi
- Spoken English

**AVIATION COURSES** 2nd Batch –10th Jun, 22
- Cabin Crew
- Ground STAFF

**Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam**
- 21 yrs Teaching Experience
- 3 mths at IT Call Centre as a Trainer
- 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur)
- Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
- 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal

www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
**Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College**

HL-B/7705-24June to 21 Aug (alt.)